SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 32' LED
TATA SKY FREE
SAMSUNG REFRIG
3 STAR 190 LT. ₹ 40,999/-
INTEX 8 / 7.5 KG WASHER
SAMSUNG 40' LED
FREE ₹4999
SAMSUNG REFRIG
3 STAR 190 LT. ₹ 51,999/-
SAMSUNG
7.2/6.5 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ
নহারোলগী থৌদাং
A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

TATA SKY FREE
32' LED + TATA SKY
(3 YRS WARRANTY) (MONTHLY RECHARGE ₹ 153)
₹ 12500
INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 8000
7.2 KG = ₹ 9200
7.5 KG = ₹ 9800
8KG = ₹ 10300
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11300
8.5KG GODREJ = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 LT INTEX = ₹ 10200
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 10600
190 LT SAMSUNG = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

ডাঃ এমঃ নরা সিংহগা
VOTE FOR

খন্নাম লৈরক্তা পাঙথোকখিবা সিপিআই মীরেপ ডাঃ নরগী মীখলগী কেম্পেইন মীতিংদা মীয়ান্না শেল খায়গৎনদুনা ডাঃ নরদা শেলগী তেংবাং পাংবা

চৈরাও চীংগী থেলদা লৈবা পিএলএগী অথৌবশিংগী খুভমদা জাতি ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা

২৪ শুবা চহি, ইশু ২৯১
www.naharolgithoudang.in
ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪, ২০১৯ ইং, শজিবু ৮ নি পানবা, নোংমাইজিং
RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP
মমল লুপা ৩.৬০

এনএসসিএন (আইএম) অমসুং কেএনএফ (এন)না বুথ কেপচর তৌখিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৯৬ রিপোল তৌনবা বিজেপিনা সিইওদা ৱাকংখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ থা অসিগী ১১ দা অহানবা তাঙ্কককী ওইনা পাংথোকখিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি মীখলদা এনএসসিএন (আইএম) অমসুং কে এন এফ (এন) না বুথ কেপচর তৌখিবা সেনাপতি, উখ্রুল, তমেংলোং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ১৯৬ রিপোল তৌনবা বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী এমপি কে ভাবনন্দ চিফ ইলেক্সন ওফিসার ইম্ফালদা ৱাকংখ্রে।

সিইওদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা হায়রিবনা নাগাশিংনা নল্লা তাবা জগাশিংদা এনএসসিএনগী কাদরশিংনা পাক্তক্লনা বুথ কেপচর অমসুং রিগ্গিং তৌবগী থৌওং কয়া চথখি। উখ্রুল অমসুং সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা এনএসসিএন (আইএম) গী কাদরশিংনা বিজেপিগী ৱার্করশিং, এদিসিগী মেম্বরশিং অমসুং লুচিংবা কয়া হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। মখোয়শিং অদু ভোট থাদবা য়াহন্দবা খক্তা নত্তনা মখোয়গী সপোর্টর ফাওবা ভোট থাদহনখিদে। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা বিজেপিগী পোল্লিং এজেন্টশিং এসেস তৌবা ফাওবা য়াহনখিদে।

এনএসসিএন (আইএম) গী কাদরশিংনা মরুওইনা তমেংলোং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা লৈরম্বা ভোটরশিং থেংনখি। তমেংলোং অমসুং সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা এনএসসিএন (আইএম) গী কাদরশিংনা প্রিসাইদিং ওফিসার অমসুং পোল্লিং এজেন্টশিং ফাওবা মহুৎ শিন্নবা হায়খি। বুথশিং অদু এনএসসিএন (আইএম) গী কাদরশিংনা শংদুনা লৈখি। পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বা নুমিৎ যুংবা ফাওবগী মনুংদা চাদা ৮০ য়ৌনা ভোট থাদখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ। অসিগুম্বা বুথশিং অসিগী সিসিটিভি ফুটেজশিং অদু কম্মিস্নরনা মীৎয়েং চংনবা তকশিল্লি। বিজেপিগী ৱার্কর কয়া অমা মশিং খংদনা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনা কয়াদা কিহন খংহনবগী থৌওং চথবা অমসুং বুথ কেপচর তৌবা য়াওনা রিগ্গিং তৌবগী থৌওং কয়া চথে। নাগাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ওইরিবা সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং তমেংলোংদা এনএসসিএন (আইএম) গী কাদরশিংনা খুদক্তা চিংনবা লৈহন্দনবা খ্বাইদগী সোফিষ্টিকেটেদ ওইবা মওংদা চাদা ৮০ য়ৌনা বুথ কেপচর তৌখি। মরম অদুনা ইলেক্সন কম্মিসননা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী সিসিটিভি ফুটেজশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা পোল্লিং বুথ ১৯৬ রিপোল তৌনবা তকশিল্লি। বুথ রিগ্গিংশিংগী থৌওংশিং চথখি অমসুং এনএসসিএন (আইএম) না পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা লৈশিন্দুনা নমদুনা ভোট থাদহনখিবগী বিজেপিগী ৱার্করশিংনা সিয়ার তৌরকপা ফোটো অমসুং ভিদিওশিং অদু ইনক্লোজ তৌরি।

বুথ কেপচর তৌখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসি খন্ননবা তকশিল্লি। রিপোল অমুক হন্না পাংথোকপা অসিনা ষ্টেট অসিদা ফ্রি এন্দ ফিয়ার ওইনা মীখল পাংথোকপগী দিমোক্রেটিক প্রোসেসতা হঞ্জিনহনবদা মতেং ওইগনি হায়রি।

বিজেপিগী মায়কৈদগী এনএসসিএন (আইএম) না বুথ কেপচর তৌবদগী অমুক হন্না রিপোল তৌনবা দাবী তৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি ৪১ / ১৬ জফৌ বজার (এ), ১৭ জফৌ বজার (সি), ১৮ জফৌ বজার (বি), ১৯ কানন্নখু, ২০ চেনখু, ২৩ জফৌ ভিল্লেজ, ২৭ চান্দেল খৃষ্টিয়ান, ২৮ মোদি, ৩০ মহৌতেরা, ৩১ তোনশেন, ৩২ উনুপাৎ, ৪৫ তাম্পী, ৪৬ অনাল খুনৌ, ৪৯ চকপি কারোং, ৫২ অকাপেনি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৪২ / ৪২ রিলরাম সেন্তর, ৪৩ কাম্বোং খুল্লেন, ৪৫ লৈবি অমসুং ৪৮ অম্রাসুনি।

ফুংয়ারগী ওইনা ৪৩ / ১১ লৌতেল রিহা পিএস, ৬ লুংফু পিএস, ৮ থৱায় পিএস, ১২ চদোং (টি) পিএস, ১৩ রামরৈ খুল্লেন পিএস, ১৬ তঙ্খুল হুংদুং পিএস, ১৮ সিংখা পিএস, ২৪ খোংজাল / লৌশিং পিএস, ২৬ ঙাপ্রুম পিএস, ২৯ শোরবুং পিএস, ৩২ কশোং খুল্লেন পিএস, ৩৩ খল্লাং পিএস, ৩৪ মৱাই পিএস, ৩৫ কশোং খুন্নৌ, ৪১ কে লৈহাওরাম, ৪৩ নম্বাসি খুল্লেন, ৫০ কাংপাৎ খুন্নৌ, ৬০ নিংথি, ৬২ মকু, ৫৬ গিরহাং অমসুং ৬৭ চাত্রিক খুল্লেন পিএসনি।

উখ্রুলগী ওইনা ৪৪ / ২ সনাকেথেল–এ, ৮ নিউ কানন, ১৫ তুসেন–এ, ১৬ তুসেন–বি, ১৮ লমবুই পিএস, ২১ শংশক, ২৫ শৈখোর, ২৬ ফারুম শিমতাং, ৫৩ মপুম, ৫৭ চোইথর, ৫৯ সিরোই চিথক, ৬৩ কমাশোন, ৬১ লুংহর, ৬৭ সিহাই খুল্লেন, ২৭ লম্লা, ৩২ হেমলৈখোং অমসুং ৩৫ অওংতাকনি।

চিংঙাইগী ওইনা ৪৫ /৩০ পাওয়ি গর্ভর্নমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুল (এন–দব্লিউ), পাউয়ি গর্ভর্নমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুল (এস–দব্লিউ), ৩৭ তালুই ইলাইট খৃষ্টিয়ান ইংলিস স্কুল (এন–দব্লিউ), ৩৮ তালুই ইলাইট খৃষ্টিয়ান ইংলিস স্কুল (এস–দব্লিউ), ৩৯ তালুই ফুংতোন প্রাইমরি স্কুল (এস–দব্লিউ), ৪০ তালুই ফুংতোন প্রাইমরি স্কুল (এস–দব্লিউ), ৪১ কচাই গর্ভর্নমেন্ট হায়স্কুল (এন–দব্লিউ), ৪২ কচাই গর্ভর্নমেন্ট হায়স্কুল (এস–দব্লিউ), ৫১ তৈনেম প্রাইমরি স্কুল (এন–দব্লিউ), ৫২ তৈনেম প্রাইমরি স্কুল (এস–দব্লিউ), ৫৩ তৈনেম গর্ভর্নমেন্ট হায়স্কুল (এন–দব্লিউ), ৫৪ তৈনেম গর্ভর্নমেন্ট হায়স্কুল (এন–দব্লিউ), ৬১ হুইনিং জুনিয়ার হায়স্কুল (এন–দব্লিউ), ৬২ হুইনিং এরিয়া প্রাইমরি স্কুল, ৬৩ হুইনিং গর্ভর্নমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুল (এস–দব্লিউ), ৪০ লাইকোই চিং, ৪২ আইলেন্দ, ৪৭ কৈহাও তঙ্খুল, ৪৮ লৱার বোংপাল, ৫০ হৈঙাংলোক অমসুং ৫২ শোমরৈনি। ৪৮ লৱার বোংপল অসিদি কেএনএফ (এন) না বুথ কেপচর তৌখিবনি হায়রি।

কারোংগী ওইনা বুথ কেপচর তৌখিবশিং অদুনা ৪৭ / ১ খোইদে–এ, ২ খোইদে–বি, ৩ খোইদে–সি, ৪ খোইদে–দি, ৬ মাইবা–এ, ৭মাইবা–বি, ৮ ফুবা খুমনা (এ–১), ৯ ফুবা খুমন (এ–২), ১০ ফুবা খুমন (বি), ১১ ফুবা খুমন (সি–১), ১২ ফুবা খুমনা (সি–২), ১৩ ফুবা থাফম–এ, ১৫ ফুবা থাফম–সি, ১৬ ফাইবুং খুল্লেন–এ, ১৭ ফাইবুঙ খুল্লেন, ১৮ ফাইবুঙ খুল্লেন-সি, ১৯ ফাইবুঙ খুল্লেন, ২০ লৱার ফাইবুম, ২১ লখমাই-এ, ২২ লখাইমাই-বি, ২৩ লখমাই-সি, ৩২ ওইনাম এ-১, ৩৩ ওইনাম এ-২, ৩৪ ওইনাম বি-১, ৩৫ ওইনাম বি-২, ৩৬ কোদোম খুল্লেন, ৩৯ ঙারি খুল্লেন, ৪০ ঙারি লিশাং, ৪১ ঙারি রাইদিলুমৈ-এ, ৪২ ঙারি রাইদিলুমৈ-বি, *(মখা লমায় ৪দা)*

এআরওশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা আরওগী ওফিস কমপ্লেক্সতা স্ক্রুতিনিগীদমক প্রিপেয়ার তৌনবা খংহনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ বিজেপিগী প্রেসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী এমপি ভাবনন্দনা এনএসসিএন (আইএম) অমসুং কেএনএফ (এফ) না বুথ কেপচর তৌখিবা সেনাপতি, উখ্রুল, তমেংলোং, চান্দেলগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৯৬ অমুক্কা হন্না রিপোল তৌনবা ৱাকংলককখিবা অদুগা মরি লৈননা জোইন্ট চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসার রমানন্দা নোংমৈকাপমনা রিটর্নিং ওফিসার, ২–আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অসিগী মরি লৈনবা প্রিসাইদিং ওফিসারশিংগী দাইরি অদু একজামিন তৌনবা মরি লৈনরিবা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে।

জোইন্ট সিইও অসিনা রিটর্নিং ওফিসার–২ দা খঙহনখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না কমপ্লেন লৈরবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী ফোর্ম ১৭ এ অমসুং অতৈমরি লৈনবা দোকুমেন্টশিংসু প্রিসাইদিং ওফিসারশিংগী কমেন্টশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌরক্লবসু এআরওনা খঙহনখ্রে। লোয়ননা রিপোর্টশিং অদু ঙসি নুংথিল পুং ৫ দা চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী ওফিসতা সবমিট তৌরক্কদবনি। এআরওশিংদসু হয়েং অং ১৪ অয়ুক পুং ১১ তবা মতমদা আর ওগী ওফিস কমপ্লেক্সতা স্ক্রুতিনিগীদমক প্রিপেয়র তৌনবা খঙহনখ্রে। মদুদা কমপ্লেন লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী মরি লৈনবা দোকুমেন্ট অমসুং অতৈমরমশিং অদুসু য়াওগদবনি হায়রি।

অতেনবা পাউ

মেদিয়াদা ফিব্রুন নক্বগী ওর্দর কন্দেম তৌই

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী চৈরাওচিংদা লৈবা খুৎলায় পায়বা লালহৌ লুপ অমা ওইরিবা পিএলএগী লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা মেদিয়ানা কোভরেজ তৌনবা হোৎনবদা অথিংবা পীবগী ওর্দর অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোককখিবা ওর্দর অদু এদিটর গিল্ডস মণিপুর অমসুং অমজুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

অমজু অমসুং ইজিএমনা থোরকপা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবনা কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না পিএলএগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী ইমুং মনুংশিংগী ওইবা কম্মিটি অসিনা চহি খুদিংগী পাংথোক্লিবা থৌরম অসিদা মেদিয়াশিংনা কোভরেজ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুমকপু হন্দক্কী হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা অথিংবা পীবগী থৌওং অসি কন্দেম তৌই। থৌওং অসি মেদিয়াবু মচিন মেন্নবা হোৎনবনি। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি দিমোক্রেসিগী ইন্টরেষ্টতা অমুক হন্না তৌদনবা খঙহল্লি।

মরম পীগদবনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইগী য়ুথ সেন্টর ময়াদা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ২ গী কোর্পোরেটরনা জেসিবি শিজিন্নদুনা নালা শেংবগী থবক চথরিবসি ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বনি হায়না এমপিসিসিগী সেক্রেটরি অদুগা চিয়ারমেন, মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন সব কম্মিটি এমদি সিরাজ অহমদনা কমপ্লেইন অমা লাক্লে। মরম অদুনা থৌওং অসি ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগা মরি লৈননা চৎনবা হৌখ্রবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট কায়দে হায়রোইদবগী মরম করি লৈবনো হায়বদু অইবা ক্লিয়ারিফিকেসন পুং ৪৮ গী মনুংদা পীরক্লবা কোর্পোরেটর অসিদা দিইও / রিটর্নিং ওফিসার ১ এন প্রভিননা সো কোজ নোটিশ থাদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ হয়েং অং ১৪ দা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী ওইনা পাংথোক্কদৌরিবা চরক পুজাগা মরি লৈননা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

গর্ভর্নর নাজমা হেপ্তুল্লানা পীরকপা য়াইফ পাউজেল অমদা হায়রিবনা য়াইফরবা নুমিৎ অসিনা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী যুমথোং খুদিংদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং অন্দু লৈতবা হায়বদু পুররক্লবা হোৎনমীন্নসি। লোয়ননা ষ্টেট অসি হেন্না য়াইফবা অমা পুরকপা ওইরসু হায়রি।

চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পীরকপা য়াইফ পাউজেল অমদনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কম্যুনিটিশিং অমসুং ইমুং মনুংশিংদা হেন্না নুংশিন্নবগী মরি অদু হেন্না চেৎশিন্নবা ওইরসু। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীয়ামগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশি চান্নমা, হরাও অয়াম্বা অমসুং অন্দু লৈতবা হায়বদু পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা পীরকপা য়াইফ পাউজেল অমদনা ফেষ্টিভেল অসিনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা তেঙ্গন তেঙ্গনবা কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন মনাও ওইবগী মরি অদু হেন্না চেৎশিন্দুনা শান্তি অমসুং অন্দু লৈতবা পুরকপা ওইরসনু হায়রক্লি।

এপ্রিল ১৪ চরক পুজাগা মরী লৈননা প্রেস ছুতি ওইবনা পাউচে অসিগী তাং ১৫গী এদিসন পুথোকচররোই। - মেনেজর

বিজেপি কংগ্রেসনা ভোটরশিংদা শেল য়েন্দুনা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনরকপা হন্দক্কী মীখল অসিদদি ভোটরশিংনা পারা তন্বীগদৌরি

ঃনর

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ হৌখিবা চহীশিংদা তৌখিবগুম্না লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) অমসুং ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসনা ভোটরশিংদা শেল য়েন্দুনা মীখলদা মায় পাক্কবা হোৎনবগী থৌওং অদু হন্দক্কী মীখল অসিদদি ভোটরশিংনা বিজেপি অমসুং কংগ্রেসনা শেল য়েন্দুনা ভোটরশিংবু লৈনবা হোৎনবা থৌওংবু অচৌবা পারা অমা তন্বীদুনা মায়থিবা পীগদৌরি হায়না লেফট সেক্যুলর ফ্রন্টকী সিপিআইগী মীরেপ ওইরিবা ডাঃ মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা খন্নাম লৈরক্তা লৈবা মীয়ামগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবগী মীফমদা সিপিআইগী মীরেপ ডাঃ নরনা হায়, হন্দক্কী লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসি য়াম্না ক্রুসিএল ওইবা মতম অমদা পাঙথোকপা মীখলনি। ভারতনা দেমোক্রেসি চংপা লৈবাক অমা ওইনা সেক্যুলরিজম, রিপব্লিক, সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং চপ মান্নবা চাওখৎপা ভারত অমা ওইবগী শক্তম অদু বিজেপিগী নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা লৈঙাক অসিগী মতমদা মাঙশিল্লক্লি।

বিজেপিগী ৱান রিলিজন, ৱান লেঙ্গুয়েজ অমসুং ৱান নেসন্স হায়বা অদুনা মরম ওইদুনা নুংশি চান্নরা চহী কয়া হিংমিন্নরক্লবা লমদম অসিগী অপুনবা শক্তম অদু কায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। বিজেপিগী লৈঙাক অসি মখা তানা থল্লগদি ভারত কায়রকপা য়াই। কন্সটিটুসন কনবা, দেমোক্রেসি কনবা হায়বা অসিনা ঙসিদি মীয়ামগী রাজনিতিগী মায়ওন অমা ওইরক্লে হায়না ডাঃ এম নরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিগী সরকার অসি দেমোক্রেটিক ওইদবা, শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটশিংবু য়োকখৎপা, লায়রবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা সরকার ওইরে। এন্টি–পিপল ওইবা অমসুং দিক্টেটোরেল ওইবা বিজেপিগী সরকারনি। সেন্টরদা অমুক হন্না বিজেপিনা লুচিংবা সরকার অমা লৈহনবা মথৌ তাদ্রে। হৌজিক পার্টি অমত্তনা সেন্টরদা শাসন পায়বা ওইথোক্লোই। সেন্টরদা ৱাখল্লোন মান্নবা সেক্যুলর ওইবা, সোসিয়েল জষ্টিসতা থাজবা পার্টি কয়া অমত্তা ওইনা পুনশিনবা মথৌ তারে। লেফট সেক্যুলর অমসুং দেমোক্রেটিক ওইবা পার্টি কয়ানা পুন্না শৌগৎপিরিবনা শুংশোয় শোয়দনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাক্না মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

বিজেপি অমসুং কংগ্রেসনা লাক্লিবা মীখল অসিদা ভোটরশিংবু শেল পীরগা লৈগনি হায়না খনলি। অদুবু হন্দক্তি মণিপুরগী মীয়ান্না বিজেপি অমসুং কংগ্রেসনা ভোটরশিংবু অপংবনি খল্লগা শেল পীরগা লৈগনি হায়না খল্লিবা অদু পারা তন্বীনবা শেম শাদুনা লৈখ্রে। *(মখা লমায় ৪দা)*

অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বদা শরুক য়াখিবশিং পিএলএগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ ঙসি এপ্রিল ১৩ অথৌবাশিংগী নুমিৎ অসিদা লাইওইখ্রবা থৌনা ফরবা অথৌবাশিংগী খুভমদা মপুং ওইনা চৈরাওচীংগী থেলদা অমদি মফম মফম খুদিংদা লৈরিবা অথৌবাশিংগী খুভমদা মশা মশাগী থৌগাইশিং থাদোক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বদা শরুক য়াখিবা নুংশিজরবা চীংমী তম্মী, ইমা ইবেল, অহল লমন, ইচিল ইনাও, ক্লব, এসোসিয়েসন, ইন্সটিট্যুসন অমসুং ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিং, বার এসোসিয়েসন, গর্ভর্নমেন্টকী থৌমীশিং, হকশেল লোয়শঙগী থৌমীশিং, স্কুল অমদি কলেজকী ওঝাশিং অমসুং মহৈরোয় পুন্নমক্কী মফমদা আর পি এফনা থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না আইনা থিংখ্রবা লুপ অসিগী সেক্রেটরি পাব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, নুমিৎ অসিগী ওইনা মেদিয়াগী মীওইশিং, ত্রান্সপোর্টকী থবক তৌরিবা ইচিল ইনাওশিং, অনা লায়েংগীদমক তেংবাংবিরকখিবা দোক্তরশিং, নর্স অমসুং ষ্টাফশিং, চীংগী অকোয়বদা লৈরিবা ইচিল ইনাওশিংগী তেংবাং, *(মখা লমায় ৪দা)*

৩৯ শুবা কে সি পিগী কুমওন্না লাকপদা লুপকী প্রসিদেন্টনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি) গী ৩৯ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থোক্লে। ঐখোয়গী হয়েংগীদমক ঙসি ফিরেপ লৌমীন্নগদবা লুপকী মরু ওইখ্রবা অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা কে সি পিগী মহুৎ শিন্দুনা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়াগী মীয়াম লোয়ননা অপুনবা ৱেসিয়া লমদম অসিগী য়াওল লাঙ্গেং চঙশিনমীন্নরিবা য়াওল্লুপ পুন্নমক্কী মফমদা কুমসি চহীগী ওইনা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ লাবা মীতৈগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, নুমিৎ অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ঙসি-ঙসিমক ঐখোয়গী মীয়ামনা থেংনরিবা লৈবাক মীয়ামগী অমদি য়াওল্লুপশিংগী মাংদা লৈরিবা তশেংনা ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা লুপ অসিগী ওইবা ৱাখল-মীৎয়েং খরদং খ্বাই পুন্নমক্না খন্ন-নৈনবীনবা ৱাফমসু থল্লক্লি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী লোই লম লৈঙাক মনুংদা শাংলবা চহী ৬০ অসি হিংলকপদগী ঐখোয়না হকথেংননা থেংনরকখিবা অসি মখোয়না ঐখোয়বু শক-চু মান্নদবনা মরম ওইদুনা হন্থনা য়েংবীবা, কাংলুপ মচানি হায়দুনা উশিংতবগা লোয়ননা হিরম খুদিংমক্তা নমথবীবা, মখোয়না ঐখোয়গী পুক্লিং, ৱাখল অমসুং হকচাংবু লোই চনশিন্দুনা থম্বা অসিনচিংবনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ানা লেপ্পা লৈতনা মহাক্কী লীগেল রেস্নেল ওথোরিটিগী মখাদা নোর্মেটিভ লোশিং শিজিন্নদুনা অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমদনবা ঐখোয়বু মুথৎকে হায়না লাক্লরি।

ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা থৌওংশিং অসি নাজি জর্মনিনা জিয়ুশিংবু পাক-শন্না মপে-মপৈ পৈদুনা হাৎখিবা (হোলোকোষ্ট) কা মান্নবা খোঙথাং (প্রোসেস) ঙাক্তনি। জর্মনিগী লৈমাইদগী জিয়ুশিংবু মুথৎলবদি জর্মনগী ৱাথোক অয়াম্বা ৱারোইশিন পীরে হায়না হিটলরনা *(মখা লমায় ৫দা)*

মীওই চা কয়ানা পিএলগী অথৌবাশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ হৌখিবা চহিশিংদা পাংথোক্তুনা লাকপগুম্ব ঙসিসু পিএলএগী অথৌবাশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্না উংখ্রে। মপুং ওইনা ফেমিলি কম্মিটি ফোর ওবজার্ভেসন ওফ ১৩ এপ্রিলনা শিন্দুনা চৈরাওচিংদা লৈবা অথৌবাশিংগী নিংশিং খুভমদা অয়ুক অঙনবদগী নুমিৎ তারমদাই ফাওবা জাতি ফুরুপ কয়াগী মীওই চা কয়ানা হৈকৎ লৈকৎ তম্মখি।

অয়ুক অঙনবদদি থৌরম অসিগা মরি লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিসিনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না থৌরমদুবু কোভরেজ তৌনবা হোৎনখিবা পাউমীশিং ফাওবদা অথিংবা থমখি। হায় কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমসুং মহাক্না হিংলিঔদো খঙন চান্নরম্বা মরুপ মপাং অমসুং মহাক্কী মরি মতশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বদা অথিংবা পীদনবা হায়রবসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিসিনা থোকখিবা ওর্দর অদুনা মরম ওইরগা অপনবা পীখি।

চৈরাওচিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা ফাওবদা খুভম অদুগী মথক্তা অঙৌবা ফি অমনা কুপশিল্লগা মদুগী মথক্তা হৈকৎ লৈকৎ তমহনখি। অদুবু পুং ১০ রোম তাবদগীদি অথিংবা অমত্তা য়াওদনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা য়াহনখি।

পুলিসনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা লাকপশিংদা অথিংবা পীখিবা অদুগা মরি লৈননা ফেমিলি কম্মিটি ফোর ওবজার্ভেসন ওফ ১৩ এপ্রিলগী মেম্বরসু ওইরিবা অদুগা চৈরাওচিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা য়াহনবিয়ু হায়না হায় কোর্টনা পিটিসন ফাইল তৌখিবা অদুগী পিটিস্নর নম্বর ২ খুন্দ্রাকপম মেধানা ফোংদোকখিবদা ঙসিগী অথৌবাশিংগী নুমিৎকা মরি লৈননা চৈরাওচিংগী খুভমদা জাতি ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা শরুক য়ারখিবা অসিগীদমক্তা থাগৎপা ফোংদোক্লি। চহি খুদিংগী চৈরাওচিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা লাকপগী মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লি। অদুবু লাইবক থিবদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিসিনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ঙল্লিঔদো প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী মীওইশিংনা থৌরম অদুগী কোভরেজ তৌনবা হোৎনবদা অথিংবা পীখি।

চহি খুদিংগীদি অথৌবাশিংগী নিংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা লাকপশিং মেদিয়ানা কোভরেজ পীবদা অথিংবা অমত্তা পীদনা লাকখিবনি। অথৌবাশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম অসিসু কোর্টকী অয়াবা অমা য়াওনা পাংথোক্লিবনি হায়না পেন্দবা ফোংদোকখি।

কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না চৈরাওচিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা পাংথোকপগী অয়াবা পীরবসু সরকারগী ওইবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নুংথিল পুং ৪ দা তেনশিনখি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা লাকপশিং চৈরাওচিংগী চিংখোংদা পুলিসনা অমমমতা ভেরিফাইদ তৌরবা মতুংদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা য়াহনখি।

চৈরাওচিংগী থেলদা লৈবা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল, পাওনা ৱজবাসি *(মখা লমায় ৪দা)*

কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা লৈবাক্কী সেক্যুরিটি কাইগদবা লো ওন এসাইলমগী ৱাফম ১ হাপচিল্লিবসি পার্টি অসিনা অথুবদা শেংদোক্কদবনি

ঃ সি ঐচ বিজয়

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ চহী কয়া সাসন তৌরম্বা কংগ্রেসনা শক্তি পায়নিংবনা হেনখিদুনা কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা লৈবাক্কী সেক্যুরিটি কাইগদবা লো ওন এসাইলমগী ৱাফম অমা হাপচিল্লিবসি পার্টি অসিনা অথুবা মতমদা লৈবাক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়না ঙসি লম্ফেলদা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন চোংথাম বিজনয়না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন সি ঐচ বিজয়গী যুমদা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা বিজয়না মখা তানা হায়, হৌখিবা ইং ১৯৫৫ দা সিটিজেনিশপ (এমেন্দমেন্ট) বিল পুথোক্লম্বা কংগ্রেসনা বিল অসিবু এমেন্দ তৌরবা বি জে পিদা মরাল কয়া শিরিবা অসিদগী হেন্না শাথিবা লৈবাক প্রজা মাংগদবা লো ওন এসাইলমগী শরুক অমা কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা হাপচিল্লকপসি তশেংনা লাইবক থিবনি। মরমদি কংগ্রেসকী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ফোংবদা য়াওরিবা ফোরেন পোলিসি নম্বর হায়রিবা সেরেল নম্বর ১৬ অদুগী সব-সেক্সন ০৮ তা য়াওরিবা লো ওন এসাইলমগী শরুক অসিদি মণিপুর খক নত্তনা লৈবাক অসি পুম্নাং মাংননবগী ওইবা থৌশিল অমনি।

মেনিফেষ্টো অদুগী ১৬.০৮ তা য়াওরিবা লো ওন এসাইলম হায়রিবা শরুক অসিদি লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি কাইহন্দুনা লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই পুন্নমক পুম্মুৎ মুৎখিবা য়াবগী থৌশিল অমনি। লৈবাক অসিদা কংগ্রেসনা পৱার পায়রবদি লো ওন এসাইলম সাইন তৌনগনি হায়রিবা অসি লৈবাক অসি পুম্মাং মাংহনগনি হায়বা তাইম বোমগুম্বনি। হৌখিবা ইং ১৯৫১ দগী হৌনা ভারতনা যু এন কনভেন্সন ওন রিফ্যুজি হায়বসি সাইন তৌদনা লাক্লি। হায়রিবা কনভেন্সন অসি ভারত য়াওনা মালেমগী লৈবাক ৪০ না সাইন তৌ হায়বা য়াদনা লাক্লিবনি। মসিগী মতুংদা হৌখিবা ইং ১৯৬৭ দসু যু এন প্রোতোকোল ওন রিফ্যুজি হায়বা অমসু ভারতনা সাইন তৌদনা লাক্লিবনি। অনিসিগী মনুংদা অহানবগী যু এন কনভেন্সন ওন রিফ্যুজি হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অসি সাইন তৌনখিবা তারবদি লৈবাক অসিগী মফম অমদগী ৱাথোক্লা মরম ওইরগা রিফ্যুজি কয়ানা ভারত্তা চংলকপদা মখোয়বু মপুং ফানা ঙাকপি শেনবিবগী অয়াবা পীরি।

যু এন কনভেন্সন ওন রিফ্যুজি হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অসি সাইন তৌনখিবা তারবদি মালেমগী মফম অমদা করিগুম্বদা ঈরাং থোক্লক্তুনা রিফ্যুজি কয়ানা ভরত্তা চংলকপদা মখোয়বু তাম্বোকপা, ফাবা-পুনবা অমত্তা য়াদে। মখোয়বু ফাবা-পুনবা তাম্বোকপগী মহুৎতা হায়রিবা রিফ্যুজিশিং অদুগী লৈফম-চাফম অমসুং হিংনবগী পাম্বৈ পীগদবনি হায়বা ৱাফম কয়া য়াওরি। মরম অদুনা ভারতনা হায়রিবা এগ্রিমেন্টশিং অসি সাইন *(মখা লমায় ৪দা)*

ইন্নরগী মীখলদা পাউমীশিংনা পিএস মনুংদা চংবদা অয়েৎপা পীহল্লোই

ঃ পি কে সিংহ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিদা করম্বা মীওইবু মীহুৎ ওইনা খনগদগে হায়বা পান্দমদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী মতেংগা লোয়ননা এদিতর গিল্ডস মণিপুরনা শিন্দুনা "নো ইয়োর এম পি" হায়বা থিমদা ইম্ফাল হোটেল অমসুং হোটেল গ্রান্দেদা মীরেপ ওইরিবশিংনা শরুক য়ারদুনা পাংথোকখিবা দিবেট অমসুং দিসকসন্দা নিংথিনা ৱাহোক লৈনা মেদিয়া রিপোর্টিং তৌখিবশিং খনগৎতুনা ঙসি হোটেল ক্লাসিকতা পাংথোকখিবা মেদিয়া এৱার্দ প্রজেন্টে সন কম মেদিয়া সেন্সিতাইজেসন ওফ ইলেক্সন রিপোর্টিং থৌরমগা মরী লৈননা মনা-মথুম য়েহোকখ্রে।

এৱার্দ ফংখিবশিং অদুদি আউটরগী রিপোর্টিংদা আউটর অমসুং ইন্নরগী রিপোর্টিংদা সঙাই এক্সপ্রেসনা ফার্ষ্ট, আউটরগীদা ঈরৈবাক্না অনিশুবা অদুগা লমজিংবা টাইমসনা অহুমশুবা তাখি। ইন্নরদনা লমজিংবা টাইমসনা অনিশুবা অদুগা পিপল ক্রোনিকলসনা অহুমশুবা তাখি। ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগীনা আউটরদা এন ই লাইভনা অহানবা অদুগা ইমপেক্ট টি ভিনা অনিশুবা তাখি। ইন্নরদা ইমপেক্ট টি ভিনা ফার্ষ্ট অদুগা এন ই লাইভনা অনিশুবা তাখি। লোয়ননা কন্সোলেসন প্রাইজিশিংসু য়েহোকখি। *(মখা লমায় ৪দা)*

হৱাদা লৈরাংদো

পার্লিয়ামেন্টতা ঐখোয় মীহুৎকি চৌক্রিরা ফমুংলা লৈ হায়রিদুবো ???



এদিটোরিয়েল, লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস